থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

ক্যারেক্তর য়াওবা মী লৈরক্তবগী অৰাবা

মীওইবগী ‘পামজবা’ (অপাম্বা) হায়বসিগা ‘নীংজবা’ (অনীংবা) হায়বসিগা করি খেন্নে ? ঈশাদা অমুক্তা হংবীয়ু। নক্লবা মরূপ-মপাংশিংদসু হংবীয়ু। খেন্নবা পাউখুম ফংবরা? নৎত্রগা, চপ মান্নবা পাউখুম ফংবরা ? ইয়াং য়াংনা খুল্লক্কনি - ‘অপাম্বা/অনীংবা অমহানি’। অদুবু, খজিক্তং মুন্না খন্থবীয়ু। খঙলক্কনি - অনী অসি মান্নদে। অপাম্বা হায়বসি, পুক্নিংগী মরূ’দা চেৎনা-লুনা ফুন্নিবা ‘থম্মোয়গী নীংজবা’ অদুগী পোত্থোক্নি। অপাম্বদুদি হোংবা য়াই, নীংজব’দুদি পাক হোংলোই। মতাংসিদা খল্লকই - ঐগী ঈমালোনসিদা অনৌবা লোন শেম কয়াগী মতৌ তারি। ৰান্ত/দিজাইর/প্রিপরেন্স-অপাম্বগী মওং কয়ানি। ৰিস/ৰিল/কনভিক্সন/কম্মিটমেন্ট-মরোল নাইনা লৈরিবা থম্মোয়নুংগী অনীংবদুগী মান্নদবা মফোঙদোক ময়ামদুনি। অপাম-পামদ (প্রিফরেন্স) হায়বদুদি ৰারী শানরগা হন্দোক হনজিন তৌবা য়াই, চপ-য়ুংনা নীংখ্রবা (কনভিক্সন) হায়বা অসিদি হোংদোক-হোংজিন য়াবা নত্তে। অদুনা হায়নরিবনি - ‘মী অমগী পুন্সি-মমল (ক্বালিটি ওফ লাইফ) অসি, মহাক্না তৌগে নীংখিবা ওইনীংবা হীরম ওইসনু, হীরমদুদা মহাক্না লৈরিবা কম্মিটমেন্ট’দুগী মখা পোল্লি’। কনাগুম্বা অমগী পুন্সিদা, ফন’কন্না হোৎনরবসু মায় পাকপগী মীনোক নোকপা ফংদ্রবা, মাগী অকনবা কম্মিটমেন্ট অদুনবু লেঙদ্রবা, নোংমদি শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়বা পাউজেল অসি অব্রাহম লিনকোনগী পুন্সিদুনা পীরম্মী। হাইফেৎ অমুক্তং নীংশিংলুসিরা ?

মহাক ইন্দিয়ানা’দা ১৮০৯, ফেব্রুৰারি ১২ দা লায়রবা ইমুং অমদা পোকখি। মমা-মপানা মহাকপু স্কুলদা থাবা ঙমদবদগী মশানা হোৎনজদুনা মহৈ মশিন তম্লকখি। কুমজা ১৮১৬, লিনকোনগী ইমুং-মনুং ভারাগী য়ুমদুদগী ভারা পীবা ঙমদবদগী তাম্থোরক্তুনা, য়ুম-লিংদবা ইমুং অমা ওইরকখি, ইমুং থাকপদা তেংবাংনবা থবক শুবা তারককি। কুমজা ১৮১৮দা অপোকপী মমা কায়নখি। ৰানা হোনজদুনা লিংখৎচরকপা মহাক্কী লল্লোন-ইতিক্কী থবক ফেল ওইদুনা মরোল-মরাং তাকখি। কুমজা ১৮৩২ ষ্টেট লেজিস্লেচরগী মীহুৎ ওইনবা মীরেপ ওইখি, মায়থীখি। থবক মচা অমখক তৌজরম্বদুসু লৌথোকপিরকখি। লোন স্কুল অমদা চঙলগা লো তমগে খনখি, মিং চনবা ফংখিদে, মরন্নাই হোৎনজদুনা লোগী লাইরিক নৈনখি। কুমজা ১৮৩৩, মরূপ অমদগী শেনফম খরা পুদুনা বিজিনেস অমা তৌবা হৌখি। চহী ফানা চৎখিদে, পৎ তৎলবা (বেংক্রপ্ত ওইরবা) মীশক অমা ওইরকখি। মরুপ্তুদগী পুরুবা শেনফম, চহী ১৭ চঙনা শিংগৎখি। কুমজা ১৮৩৪, ষ্টেট লেজিস্লেচর ইলেক্সনদা মায় পাকখি। কুমজা ১৮৩৫, লুহোংনবা এনগেজ তৌখি। চহীদুমক্তা, লুহোংদ্রিঙৈ, মাগী চান্নথোইবীদু তাইবংপান থাদোকখি। কুমজা ১৯৩৬, হোৎনজমল মহৈ য়ান্না - লো প্রাক্তিস তৌনবা লাইসেন্স হেক ফংবগা ‘নর্ভস ব্রেকদাউন’ তৌক্তুনা হোস্পিটালাইজ তৌখি। থা তরুক ফমুংদগী হেনখিদে। কুমজা ১৮৩৮, ষ্টেট লেজিস্লেচরগী স্পীকর ওইনবা হোৎনবদসু মহৈ য়ানখিদে। কুমজা ১৮৪০দা প্রসিদেন্সিয়েল ইলেক্তর ওইননবা হোৎনবা, কুমজা ১৮৪৩দা য়ু এস কোংগ্রেসকী মেম্বর ওইননবা হোৎনবা অমত্তা মায় পাকখিদে। কুমজা ১৮৪৬তা মায় পাক্তুনা কোংগ্রেস মেম্বর ওইরকখি, কুমজা ১৮৪৮দা অমুক মায়থিখি। কুমজা ১৮৪৯, লো প্রাক্তিস তৌনা-তৌনা ময়ুম লমদম অদুগী ‘লেন্দ ওফিসর’ - পোষ্ট লৌনবগী থবক্তুগী এপ্লিকান্ট ওইরুই। খল্লকখিদে। কুমজা ১৮৫৪ সিনেতর ওইবা হোৎনরুই, মায় পাকখিদে। কুমজা ১৮৫৬, ভাইস প্রসিদেন্ট নোমিনেসন ফংনবা হোৎনবদুদসু ভোৎ চামা য়ৌনা ফংখিদে। কুমজা ১৮৫৮ সিনেতরগী ইলেক্সন, অমুক হন্না থেংনখি। অদুদসু মায়থিখি। কাইনথংদা কুমজা ১৮৬০, অব্রাহম লিনকোন অমেরিকাগী ১৬ শুবা প্রসিদেন্ট ওইরকখি। অমেরিকান সিভিল ৰার (১৮৬১দগী হৌখিবা) মতমদুগী খ্বাইদগী লুবা তানফমদুদা মোরেল, কন্সটিট্যুসনেল অমদি পোলিটিকেল ক্রাইসিস মতমদুদা লৈপাক্তবু লুচিংখি। মীনাই নাইথাং (স্লেভরি)- পুন্সী - অমেরিকান মুখৎখি। কুমজা ১৯৬৫, এপ্রিল ১৫, মশাগী চহী ৫৬ শুরকপদা দ্রামা অমা য়েংলিঙৈ নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখি।

অব্রাহম লিনকোন্না, পুন্সিদা থেংনরকখিবা এক্সপরিয়েন্সশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা ৰাহে কয়া শেল্লম্মী .. ‘অকনববু শোন্থহন্নবা হোৎনরগা অশোনবশিং কনখৎলক্কদবা নত্তে’ ... ‘ঈনাক খুনবশিং লায়রহন্নবা থৌসিল শীল্লগা লায়রবশিং ইনাক খুনগৎলক্লোই’... । লিনকোনখক্কী পুন্সি নত্তে, নঙ-ঐগী পুন্সিসিদা থেংনরকখিবা এক্সপরিয়েন্সশিং, কনামত্তগী পুন্সিগা চাংদম্নুনা য়েংগদবা নত্তে। কনামত্তগী পুন্সিগা মান্নদবা এক্সপরিয়েন্স’মক্তনি নঙনা-ঐনা থেংনরকখিবা। অতোপ্পদগী তম্বখক্তনা নত্তে মায় পাকপগী ফিদম, ঐঙোন্দগীসু তমজনিংঙাই কয়া লৈরমগনি। ককচেঙ মচা অমখক্ল, মহাক্না পুবা ঙম্লরোইদবা মচীঞ্জাক অমা থেংনবদা তৌরিবা থবক্ত য়েংবীয়ু মীওইবনা তমজনীংঙাইনি।

ঙসিগী তাইবং অসিদা খন্নবা ৰাখল, ঐঙোন্দদি তায়ওন্নবা, অমখক লৈ। করি থবক নৎত্রগা লল্লোন-ইতিক তৌরিবনো খঙদনা ফজবা য়ুম শারকপা, মমল য়াম্বা জীপ-কার তোংলকপা, শেলবু উৎৰাইগুম শীজিন্নবা, ভোট লেপকে হায়রকপা-মখোয়দুতবু ফিদম্নিংঙাই ওইবা, ঈকায় খুম্ননিংঙাই ওইবা মীশক্তুনি খল্লকপা। মীঙোন্দগী, নৎত্রগা বেঙ্কতগী পুরুবা শেনফম, শিংফম থোকপদু শিংদনা পৈশিল্লকপা মরল মথুম অদুনা নুংঙাইবগী য়ুম্ফম থোনবা য়ারোই। লৈপাক চাওখৎহন্নবা, মীয়াম নুংঙাইহন্নবা কাইথোকখিবা লৈঙাক্কী শেনফম, লৈঙাকপশিংগী ফুরিৎখাউদা হাপচিল্লগা, শক্তি লৈবা/তৌবা ঙম্বা লৈঙাকপনি হায়বা য়ারোই। কেন্সর-মহীক্রুম্বা করপসন্না চাথৎলবা খুন্নাই অসিনা কীন্থরকপদা মখোয়গী ইমুংদুসু য়াওখিনি হায়বসি মখোয়সু কাউদবদি ফবনি। অদুগা, মখোয়বু থবক অসি তৌহনবদা থৌনা হাপ্লিবা, ‘ইলেক্তর’ ওইরিবা ঐখোয়সু ‘ইচাগী/ইনাওগী থবক লৈবদা লুপা লাখ কুন্থ্রা/নিফু পুথোকপা ঙম্বা ঐহাক্নি’ হায়বা ঙম্বদা ‘ষ্টেটস সিম্বোল’ ওইরিবা - মেন্টেল আউতলুক অসিসু হোংদোকপা, য়াম্লমক তঙাইফদবা অমনি। লুরিবদি, মদু ঙম্বা থৌনা লৈবা মীচম অমত্তা, পুকচেল শেংবা লৈঙাকপা অমত্তা অহোংবসিগীদমক ৰাখলদুদা শেম-শাদে। মেন ওফ ক্যাররেক্তর হায়নবা, মী অমগী লীচৎ চৎপা মহাক্তুদি মশাগী রেস্পোন্সিবিলিটি মশক খঙই, ৰারেপ লৌই। ক্যারেক্তর য়াওদবা মীদুদি রেস্পোন্সিবিলিটি মশক খঙদে। ক্যারেক্তর য়াওদবা মীমক্তা ঙায়রকপসিনি লুরিবা।

লৌশিং পুক্কে

নিংশা হোনবগী মরীদা ইনফেক্সন তৌবা অমদি নিংশা শ্বর মনম নমথিবা ফহল্লিবা হৈজাং

মিদল ইষ্ট রেস্পিরেটরি সিন্দ্রোম (এম ঈ আর এস) হায়বসি হন্দক্তা নৌনা থেংনরকপা মহীক অমনা থোকহল্লকপা নিংশা শ্বর হোনবগী মরীদা ইনফেক্সন তৌবগী থৌওংনি। সিভিয়র একুট রেস্পিরেটরি সিন্দ্রোম (সারস) কা লাইওং হাইরপ মান্নবা লায়না অসি কুমজা ২০১২ গী জুন থাদা ইহান হানবা ওইনা সাওদি অরাবিয়াদা থেংনখিবনি।



মরু ওইবা লাইওংশিংদি লোক খুবা, লাইহৌ হৌবা, নিংশা-শ্বর থবেৎ-থবেৎ হোনবা, পুক নাবা, খোঙ হামথবা অমসুং ওবনচিংবনি। ফীভম হেঞ্জিনখ্রবদি একুট রেস্পিরেটরি দিষ্ট্রেস সিন্দ্রোম (এ আর দি এস); কিদনি ফেলিয়র; দিসেমিনেটেদ ইন্ট্রাস্ক্যুলর কোগুলেশন (দি আই সী) অমদি পেরিকার্দাইটিসনচিংবশিং ওইহল্লকপা য়াই।

এম ঈ আর এস ওইহল্লকইবা মহীক অসি উট হায়রিবা শা মখল অসিদগী মীওইবদা চোংশিল্লকপনি হায়না থাজনরি। দল্লিয়ু ঐচ ও না মিদল ইষ্টতা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক উটকা হকথেংননা শোক্ল-শম্নদনবা, উটকী শঙ্গোম থকপদা চেকশিন্নবা, শা মখল অসি চাদনবা অমসুং উটকী হক্কী ঈশিং থক্তনবা খঙহনখ্রে।

মিদল ইষ্টতা উটকী হক্কী ঈশিংবু লায়না কয়া ফহনবা ঙম্বা হীদাক ওইনা লৌনৈ।

মীওইবদগী মীওইবদা শন্দোকপগী চাং নেম্মা লৈরিবা লায়না অসি অফবা মখলগী এন্টি-ভাইরেল দ্রগ শীজিন্নদুনা লায়েংবদা ফীভম খরা ফগৎলকপা থেংনরবসু হৌজিকমক্কী ওইনদি এম ঈ আর এস ফহন্নবা হীদাক লৈত্রি।

শন্দোকপগী চপ চাবা মওং মতৌ খঙদোক্লবা হোৎনরিঙৈগী চৈরক অসিদা ৰর্ল্ড হেল্‌থ ওর্গনাইজেশনন্না পীখিবা চেকশিন-ৰারোল মতুং ইন্না কনাগুম্বা মীওই অমা এম ঈ আর এসনা নারে হায়না চিংনরবদি মীওই অদুগী মনাক নক্লমদাইদা মাস্ক অমদি অনোক উপ্পগা লোয়ননা হকচাং শীনবা থুংনা কৃপ্পা ফিরোল শেৎকদবনি। লোয়ন-লোয়ননা মীওই অদুগী মনাক নক্লমদাই অমসুং থোরক্লবা মতুংদা খুৎ-শা শেংনা হামদোক্কদবনি হায়রি।

অমরোমদা, এন্টিবাইওটিক্কী মগুন চেনবা হৈজাংবু চহীচা কয়াগী মমাঙদগী হীদাক ওইনা শীজিন্নদুনা লাক্লি। ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টানদদি হকচাং মনুংদা লৈবা তীল অমসুং মহীক-মতাং হাৎনবগীদমক হৈজাংগী মরু চানৈ। মলেসিয়াগুম্বা লৈবাক খরদা পুক অমদি চাকখাউগী অনাবা ফহন্নবগীদমক হৈজাং পান্থীগী ময়োল চায়।

হৈজাংগী মকু চাবা মতমদা নিংশা শ্বর নমথিবা ফহনবগা লোয়ননা খোঙ হামথবসু ফহল্লি। চাইনাদা উহৈ অসিগী মকুবু চাবা তুমহন্নবা অমসুং লোক খূবা ফহন্নবা হীদাক ওইনা শীজিন্নে। পুক নাবা, নুংঙাইতবা মতমদসু হৈজাং মনা শুগায়রগা মহী থকপদা ফৈ।

উহৈ অসিদা য়াওবা এস্কোর্বিক এসিদনা হকচাং মনুংদা চঙখ্রগা ভিটামিন সী, ভিটামিন বি কমপ্লেক্স মখল অহুম (থিয়ামিন, রাইবোফ্লেবিন অমদি নিয়াসিন), কেলসিয়ম, ফোসফরস অমদি আইরন্নচিংবা মিনরেলশিং লোয়ননা কেরোটিনদা ওন্থোক্তুনা কান্নবা কয়ামরুম পী।

হৈজাংগী চাবা য়াবা শরুক গ্রাম ১০০ দা য়াওরিবসি মনিলগী শরুক গ্রাম ৮৭.১, প্রোটিন গ্রাম ০.০৮, ফেট গ্রাম ০.০৪, ফাইবর গ্রাম ১.১, কেলসিয়ম মিলিগ্রাম ৩৬.৫, ফোসফরস মিলিগ্রাম ১৬, আইরন মিলিগ্রাম ০.৫৫, কেরোটিন মিলি গ্রাম ০.০০৯, থিয়ামিন মিলিগ্রাম ০.০৫২, রাইবোফ্লেবিন ০.০২৯, নিয়াসিন মিলিগ্রাম ০.১২৫ অমসুং এস্কোর্বিক এসিদ মিলিগ্রাম ৩৬৮ নি।

থাইনা মমাংঙৈ মেদিকেল সাইন্সনা হীদাক-লাংথক পুথোক্ত্রিঙৈদা উহৈ অসিবু মখল কয়াগী লায়না লায়েংবদা হীদাক ওইনা শীজিন্নরম্মী। কনাগুম্বা অমা হূ থক্লুবা মতমদা হৈজাং মহী পীথক্লুবদি হূগী ময়াক চমহল্লি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাল্লি

অব্দুল মনাল, মোইজিং

কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লোকদাউন থা কয়া লেপ্পা লৈতনা চৎথরকপনা লৈবাক মীয়াম খম থেংনা ৰানবগা লোয়ননা অচৌবা চৈথেং অমা পীরে। নোংম-নোংমগী লায়না অসিনা নাবগী মীশিংসু লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলক্লি। মীওই অমা পোজিটিভ ওইরবসু মহাক্না লৈমিন্নরিবা ইমুং-মনুংগী মীওইশিং পোজিটিভ ওইদবা অদুগা অমরোমদনা মহাক্না তিন্নবা মরুপ-মপাংনা পোজিটিভ ওইরকপা অসিনা মীয়ামদা লায়না অসিগী মতাংদা চপচানা হায়ফম খঙদবা চিংনবা অমদি পোকহল্লে। মরমদি কনানা পোজিটিভ ওইবনো অমদি কনানা নেগেটিভ ওইবনো খঙবা ঙম্নদ্রে। লোক লাইহৌ অমদি খনাউ নুংঙাইতবা খুদিং কোভিদ-১৯না নারবরা হায়নসু চিংনরক্লে। মরম অদুনা লৈঙাক্লা অমদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা লমদম অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংগী সেম্পল লৌদুনা টেষ্ট তৌবগী তঙাইফদবা মতম অদু য়ৌরক্লবরা হায়না খল্লি। লোয়ননা টেষ্ট তৌবা মতমদা য়াম্না চেকশিন্না টেষ্ট তৌহন্নিংই। লৈবাক মীয়াম্নসু হৌজিক লমদম অসিদা ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা য়াম্না চেকশিন্না লৈঙাক্লা শেল্লিবা চৎন-কাংলোনশিং মপুং ফানা চৎথবগী তঙাইফদবা লৈরে। মরমদি লমদম অসিদা কম্যুনিটি ট্রান্সমিসন হৌরক্লে হায়বা য়াই।

তেলেম জাদুমনি, ৰাংখৈ নিংথেম পুখ্রি মপাল

লৈবাক অসিদা চৎনরিবা দেমোক্রেসি অসি করম্বা মখলগী দেমোক্রেসিনো হায়বসি মীপুম খুদিংনা হংনিংবা ফাওরক্লে। মরমদি ইচম চম্না অফবা লৈঙাক অমা ওইহন্নিংবদগী অনীংবা-অপাম্বা ৰাফম খরা ফোঙদোক্লুবগীসু হেক ফাবিবগী থৌওং নুংঙাইজদে। মীওই অমগী রাইট টু এক্সপ্রেসপু মৎপিরবরা হায়না খনজে। করিগুম্বা লৈবাক মীয়ামগী অনীংবা-অপাম্বা ফোঙদোকপদা অথিংবা অমদি অকিবা ফাওহল্লবদি লৈবাক অদু লৈখা তারবা তৌনিংবতা তৌবা লৈবাক অমা ওইরে হায়নরিবনি। হোয়, লৈবাক মীয়াম্নসু ফহন্নিংই হায়দুনা অনীংবা-অপাম্বা ফোঙদোকপা মতমদা ফজবা ৰাঙাং-শঙাংগা লোয়ননা মরুওইবা ৰাফমশিংতমক ফোঙদোকহন্নিংই। লৈঙাক হায়বসি লৈবাক মীয়ামগী মপী-মপানি হায়বসি কাউবিগনু। অমরোমদা কোভিদ-১৯গী পোজিটিভ ওইবগী মশীং হেনগৎলক্লিবা অসি করিগুম্বা খরদি অশোয়বা লৈরবরা হায়না খল্লি। হৌজিক ষ্টেট অসিগী চীংগী লমশিংদা পোজিটিভ ওইবগী মশীং হেনগৎলক্লিবা অসিগী মতাংদা কুপ্পা মতৌ করম্না ওইরক্লিবনো খন্থহন্নিংই।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

‘লাইনিং খূদিংমক চাউখৎমিন্নবগী খোঙজং মপুং ফাহন্নবা হোৎনমিন্নসি’

ইম্ফাল, জুলাই ২১ (ঐচ এন এস): লাইনিং খূদিংমক চাউখৎমিন্নবগী খোঙজং হেন্না মপুং ফাহন্নবা হোৎনমিন্নরসি হায়না ওল ইন্দিয়া কংলা পাখংবা টেম্পল দিভলপমেন্ট সোসাইটিগী সেক্রেটরি জেনরেল ঈংবা মঙাং য়ুম্নামচানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কংলা ফমথৌ অমদি সী এস সী কে, ইন্দিজিনস য়ুথ এসোসিএসন ওফ কংলৈপাক্কী মীফম পাঙথোক্তুনা লাইনিং খূদিংমক চাউখৎমিন্ননবগী খোঙজং মপুং ফানবা ৰারেপ লৌখ্রে। লমদমসিদা খুন্দামিন্নরিবা লাইনিং অমনা অমদা তুহৎনবা য়েংথিনবা য়াওদনা মাগী মাগী লাইফম শেমগৎচনবা খোঙজং হেন্না মপুং ফাহন্নবা থবক হৌরে। অপাম্বা লম্বী চৎনসি। লাইফম শেমগৎসি। হয়েং তুংগীদমক ঙসিগী মীরোলনা কথোকমিন্নসি হায়বা পান্দমদা চত্থরকপা খোঙথাংদা কংলা ফমথৌ অমদি পাওনা লোয়শঙ সী এস সী কেনচিংবদা পাউতাক পীবীয়ু হায়রি।

মপোক-কুমওন

ইম্ফাল, জুলাই ২১ (ঐচ এন এস): কোওর্দিনেটিং বোদি খুরাইগী ৫শুবা ফাউন্দেসন দেগী থৌরম ঙসি খুরাই লম্লোং থোং মখোঙদা লৈবা ওফিসতা পাঙথোকখ্রে হায়না বোদি অসিগী মীদিয়া কোওর্দিনেটর সৈত্যজিৎনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থৌরম অদুদা হন্দক্কী ক্লাস টুয়েল্ভ সাইন্স, আর্টস অমদি কমার্সতা ২০শুবা পোজিসন ফাওবগী মনুংদা য়াওরকপা মহৈরোয় ৬, জর্নেলিষ্ট অমা অমদি এক্তিভিষ্ট মেম্বর ১দা অচম্বা খুদোল পীদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। খুরাই মায়কৈদা লৈবা অমদি বোদি অসিনা কোনবা ক্লব, মৈরা পায়বী অমসুং মেম্বরশিংনা শরুক য়াদুনা ঙসি অয়ুক পুং ১১ তাবদা অচম্বা থৌরম অমগা লোয়ননা পাঙথোকখি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা মহৈরোয় অমদি খুন্নাইগী থবক তৌবা মীওই কয়াদা পূক্নিং থৌগৎপগা লোয়ননা খুদোল পীদুনা ঈকায় খুম্নখি হায়রি।

য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোমদা তেংবাং পীনরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ২১ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্টকী কৈবী সনাপাৎতা লৈবা য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোমদা লূপ অমদি লন্নাই মীওই কয়ানা তেংবাং পীনরক্লি হায়না হোম অসিগী মেনেজিং কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট য়াঙ্গোই পিবানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, জুলাই ৩দা খুরাই হৈক্রু মখোঙদগী সোয়াম জাদুমনি অমদি ইমুংগী মীওইশিংনা লৈখিদ্রবা মচানুপা সুনিলগী লৈখিদবা চহী ৩ শুবা নুমীৎকা মরী লৈননা অঙাংশিংগী মীতৈ চেঙ কেজি ৫০, অচাথাউ, হৰাই, আলুনচিংবা পীরম্মী। নুমীৎসিমক্তদা পুখাও লাইফমদগী ওক্রম বোমচানা ইমুংগী মীওইশিংগা লাক্তুনা মীতৈ চেঙ কেজি ৩০ পীরম্মী। জুলাই ৪দা নোংমৈবুংদগী রাজকুমার সন্তোশনা মচিন-মনাওশিংগা হোমদা লাক্তুনা লৈখিদ্রবা অপোকপা বির সিংহ, অপোকপী আর কে ওংবী মেম্মা অনীবু নীংশিংবা ওইনা অঙাংশিংগী চেঙ বেগ ৪, হৰাই কেজি ১০, অচাথাউ লিটর ৩, অচাপোৎ পীরম্মী। নুমীৎ অসিদা ৯শুবা আই আর বি খুমন লম্পাক অমদি মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব, ১৫শুবা টিমনা অঙাংশিংগীদমক চেঙ বেগ ১, হৰাই, মোরোকনচিংবা পীরম্মী। জুলাই ৫দা শিংজমৈ চিংঙামখোঙ চোংথাম লৈকায়দগী নিঙোম্বম মৈরাবনা ইমুংগী মীওইশিংগা হোমদা লাক্তুনা অঙাংশিং চাক্লেন পীজবগা লোয়ননা চেঙ, আলু, এক্সর্সাইজ বুকনচিংবা পীরম্মী।

জুলাই ৫দা সঙাইপ্রৌ মমাঙ লৈকায়দগী তোকপম ফুনিন্দ্রো অমদি ইমুং-মনুংনা অঙাংশিংগী চেঙ বেগ ১, হৰাই কেজি ৮, অচাপোৎ পীরম্মী। জুলাই ৯দা য়ুম্নাম লৈকায় ঙক্রাবা লৈরক্তগী নিত্যাই মঙাংনা ইমুং-মনুংশিংগা লাক্তুনা মাগী লৈখিদ্রবা মচানুপা বোইনাওগী লৈখিদবা চহী ৩ শুবা নুমীৎকা মরী লৈননা অঙাংশিংগীদমক চেঙ বেগ ১, হৰাই কেজি ১০, আলু, মনা-মশিং পীরম্মী। জুলাই ১২দা ৰাংখৈদগী রাজকুমার প্রিয়োবর্ত্ত সোসল ৰর্করনা অঙাংশিংগীদমক চেঙ বেগ ২ পীরম্মী। জুলাই ১৫দা উরিপোক সিনাম লৈকায়দগী আর কে অনিলকুমার অমদি রোমিনা মখোয়গী মচানুপী প্রিয়াঙ্কাগী ২৪শুবা চহীগী মপোক নুমীৎকা মরী লৈননা অঙাংশিংগীদমক চেঙ বেগ ১, হৰাই কেজি ১৫, অচাথাউ লিটর ৫ পীরম্মী। জুলাই ১৫দা সোইবম লৈকায় মেরি লৈরক্তগী চিংশুবম অশোক অমদি বিদ্যালক্ষ্মীনা মচানুপী চিংশুবম শ্রীসতিগী ১১রকশুবা মপোক নুমীৎকা মরী লৈননা অঙাংশিংগীদমক চেঙ বেগ ১, অচাথাউ লিটর ৫, হৰাই, আলুনচিংবা পীরম্মী। তেংবাংলকখিবশিংবু হোমগী অঙাংশিং অমদি মেনেজিং কম্মিটি মেম্বরশিংনা তৌবীমল খঙবা উৎপগা লোয়ননা থাগৎলি হায়নসু মখা তারি।

মহৈরোয় কয়াগী একাদেমীক ইয়র মাঙবা য়াবগী অকিবা লৈরে : কে এস এ

ইম্ফাল, জুলাই ২১ (ঐচ এন এস): সিট হেনগৎহৌদ্রবদি মহৈরোয় কয়াগী একাদেমীক ইয়র মাঙবা য়াবগী অকিবা চাউনা লৈরে হায়না কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ)গী প্রসিদেন্ট এন চেতননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কোভিদ-১৯ থেংননবা চত্থরিবা লোকদাউন অসিনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াগী মফম কয়াদা মহৈ তমদুনা লৈরুবা মহৈরোয় কয়া হন্নরক্লি। পোজিটিভ ওইবা মশিং নোংম-নোংমগী হেনগৎলকপগা লোয়ননা লৈঙাক অসিগী অকিবা হেনগৎলক্লি। লোকদাউন লোইরবা ফাওবা মহৈরোয়শিং মপান্দা মহৈ তম্বা চৎপা কিনবগা লোয়ননা মপান্দা চৎপগী চাং হন্থরকপগী ফীভম লাক্কদৌরি। লমদম অসিগী স্কুল, কোলেজ অমদি য়ুনিভর্সিটিদা সিট হেনগৎপগী তঙাইফদবা লৈরে। সিট হেনগৎহৌদ্রবদি মহৈরোয় কয়াগী একাদেমীক ইয়র মাঙবা য়াবগী অকিবা লৈরে। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী তোঙান-তোঙানবা পোষ্ট গ্রেজ্যুএট পোষ্টশিংগী সিট হেনগৎপীনবা অমদি মসিগা মরী লৈননা ষ্টাফ এনগেজ তৌবা লোয়ননা ইনফ্রাষ্ট্রকচর লৈহন্নবা য়ুনিভর্সিটিগী এদমিনিষ্ট্রেটর জর্নেলগা ৰারী শানবগা লোয়ননা অইবা চে পীশিনখ্রে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

ঈশিং থারিঙৈদা মোটোর পান্দুনা চিংলম্লবদি দিসকন্নেক্ট তৌগনি : কম্মিটি

ইম্ফাল, জুলাই ২১ (ঐচ এন এস): ঈশিং থারিঙৈদা ইলেক্ট্রিক মোটোর পান্দুনা ঈশিং চিংলম্লবদি দিসকন্নেক্ট তৌগনি হায়না ভিলেজ লেভেল ৰাটর এন্দ সেনিটেসন কম্মিটি, ৰাংজিংগী সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, পি ঐচ ঈ দি থৌবালনা থা অসিগী ১৮দা থোকখিবা ওর্দরগী মতুংইন্না কম্মিটি অসিনা কোনবা মফমশিংদা পাইপ লাইনদগী ঈশিং পুশিল্লিবা কঞ্জ্যুমরশিংনা ইলেক্ট্রিক মোটোর শীজিন্নদুনা ঈশিং চিংবগী থবক লেপ্পীয়ু। করিগুম্বা ঈশিং থারিঙৈদা মোটোর শীজিন্নদুনা ঈশিং চিংলম্বা থেংনরবদি ৰাটর সপ্লায় এক্টকী মতুংইন্না লোগী ওইবা চৈরাক ফংহনবগা লোয়ননা কন্নেক্সনসু কক্কনি। কনাগুম্বা দিসকন্নেক্ট তৌখ্রবা কঞ্জ্যুমর অদুনা অমুক হন্না ঈশিং শম্নবা হায়রক্লবদি এক্টকী মতুংইন্না নৌনা প্রোসেস তৌবগা লোয়ননা কঞ্জ্যুমর অদু পেনাল্টিসু তৌগনি। জুলাই ২৩দা ৰাংজিং ৰাটর সপ্লায়গী কম্মিটিনা অখন্নবা দ্রাইভ অমা চত্থবা হৌরগনি। কঞ্জ্যুমরশিংনা ঈশিং থারিঙৈদা ইলেক্ট্রিক মোটোর শীজিন্নদুনা ঈশিং চিংলম্বা থেংনরবদি ৰাটর সপ্লায় এক্ট ১৯৯২গী মতুংইন্না লোগী ওইবা থবক লৌখৎলগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

লোকদাউন মনুংদা পেরা মিলিটরি কম্পেনিশিংনা রিলিফ মেটরিএল য়েনবা থিংসি : নুপী মরুপ

ইম্ফাল, জুলাই ২১ (ঐচ এন এস): লোকদাউন মনুংদা পেরামিলিটরি কম্পেনিশিংনা রিলিফ মেটরিএল য়েনবা থিংসি হায়না ওল মণিপুর নুপী মরুপকী সেক্রেটরি এল সুমতিবালানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোলদুনা হায়, কাংপোকপীদা লৈবা সী আর পি এফ ট্রেনিং সেন্টরদা ট্রেনি ৬৩ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রে। জিরিবামদা লৈবা অসাম রাইফলসকী জৱান ১৭ পোজিটিভ ওইবা থেংনবা অসি মীপায়বা পোক্লরি। অখন্নবা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎহৌদ্রবদি চীং অমসুং তমগী খুঙ্গং কয়াদা ট্রান্সমিসন তৌরকপা য়াবগী থাজবা ৰাংই। হৌজিক উখ্রুল, সেনাপতি অমদি কাংপোকপীদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা অয়াম্বনা মপান্দগী হল্লকখিবশিংনা মশিং য়াম্বা ওইরবসু অয়াম্বদি এস ও পি মখাদা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা থল্লগা য়েংশিল্লি। কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়না খঙবা ঙল্লিবসি মচাদা সিন্টোমপ্ট খরা ফংবদগী কোভিদ টেষ্ট তৌবদা রিজল্ট ফংবনি। অসিগুম্বা কয়া অসি য়েংলগা লৈঙাক্লা ষ্টেটসিদা লৈরিবা পেরামিলিটরি কম্পেনিশিং অনৌবা থাজিল্লক্তনবা খঙহনফম থোকই হায়নসু মখা তারি।

মীৎয়েং চঙবীয়ু

ইম্ফাল, জুলাই ২১ (ঐচ এন এস): ৰাঙ্গোইদগী চোংথাম কোনা ফাওবগী লম্বী অসি ফীভম য়াম্না শোকপনা মীয়াম্না চৎথোক-চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে। লম্বী অসিদা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না সেল্ফ হেল্প ক্লব, লাইফ্রাকপমগী সেক্রেটরি সিংহজিৎনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। করিগুম্বা মরী লৈনবশিংনা অথুবা মতমদা মীৎয়েং চঙদ্রবদি লম্বী অসি থিংবগী খোঙজং চঙশিল্লক্লগনি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারি।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৰাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২২।০৭।২০২০ ইং, য়ুমশকৈশা;
থৰানগী ২নি পানবা।

মেষ : নচাক নরল চাওখৎপা, মীয়াম্না চানবীবা, ইমুং মনুং ৰাতান্নবনা চাওখৎপা হেনবা অমদি খল্লুদবা ওইজবসু ফংবা লৈগনি। পাইরক্কী লৌশিংদি খরা শোল্লি।
লৈশা পাখংশিংগী : নুংশিবনা চানবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

বৃষ : মরুপ মপাংগা মরী ফনবা ঈংথবা অমদি নাপল তৌদবা ফৈ। লাইবক ফবা খরদি লৈ অদুনা শেন্দোং তানবা থবক কান্নগনি। হেন্না ফনবা থৌনা ফুদোকউ।
লৈশা পাখংশিংগী : নিংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

মিথুন : য়েক্লবা মাংখিনি, থবক পাংগনি অমদি লেংদবা লন ফংবগী নুংঙাইবা লৈ। থৌনা লিংজেল ফুদোকপা কান্ননি। হকচাং নুংঙাইরোই, মরুপ অফবা তাংই।
লৈশা পাখংশিংগী : ৰাঙাং চেকশিল্লু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা

কর্কট : য়েৎনরদি পুক্নিং নুংশিগনি অমদি খুরৌ থাংগনি। শকখংদবা থাজগনু। লাইবক ফবা, মীচং হেনগৎপা, নিংবা মপা চাবা অমদি শেন্দোং ফংবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী : ৰাখল নুংঙাইথোকপা য়াই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

সিংহ : পাইরক্কী লৌশিং ৰাৎলি অদুনা নাইতোম ৰারেপ লৌগনু অমদি হকচাং নুংঙাইবা ৰাৎলি-হোয়া ফগনু। নক্লবা লোইনৌ, মরুপ মপাংগী ৰা তাও-কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী : মায় পাকপদি ৰাৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

কন্যা : নক্লবনা অমদি ফিংবনা শাওহনবা নুমিৎনি-অদুবু ঈংথরদি মাংগদবশিংদগী কঞ্জগনি। ঙাংথোকপদদি পকচৈ , পোরম য়াৎপা হৈ অমদি মীচং হেনগৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী : ফিংগনু-কাইননি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা

তুলা : মীচং খোম্বা য়াগনি, অনিংবা থবক পাংবসু মায় পাক্কনি অমদি অশা চাওবা কান্নগনি। অদুবু ৰা ঙাংবা অমদি অখং অহৈ শাবদি য়াম্না লুই- তাশিনবদা ওইয়ু।
লৈশা পাখংশিংগী : লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/হিগোক

বৃশ্চিক : নচা ননাই চাওখৎপা, অনৌবা লৌশিং য়াম্না ফংজবা অমদি লান্দবনা মায় পাকচবা নুমিৎনি। নক্লরম্বা কাইনবগী নুংঙাইতবা ফংগনি। হুদৈ খরা চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী : মীৰা থাজগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

ধনু : তহা তহাগনু, অনম তানগনু,অশাওবা অমদি নাপল থাদোকউ-মদুতনা মায় পাক্কদবা নুমিৎনি। হন্থবা লোইনবা নচা ননাইনা ওৎপগুম নুংঙাইরোই -খঙউ।
লৈশা পাখংশিংগী : মতম হৌহনখো।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা

মকর : খ্বাইদগী হেন্না নিংবা থুংবা নুমিৎনি। ললোন ইতিক্তদি খুৎচাও থাবা য়াগনি অমদি অঙম্বগী মতেং শোইদনা ফংজগনি। অফা অপুন্দগী চেকশিল্লু- য়েৎনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী : নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কুম্বা : ঙসিসু মীচং ৰাৎতে, লন য়াম্না হেনগৎকনি অমদি অনৌবা অশা উগনি। য়েৎনবনা হেন্না মাংজবা অদুবু খাঙবা কল্লদি ময়েং তারোই। অরং-অরাক চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী : নিংবা খরদি থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/হিগোক

মিন : মরুপ মপাংগা ৰাখল তান্নদবা খরা লৈগনি-চিন কনগনু। য়েক্লবনা পাঙ্গল্লি-অনম তানগনু। নঙগী ওইবা মী লোইনৌ অমদি নাইতোম চৎকনু-নুংঙাইগনি।
লৈশা পাখংশিংগী : নুংশিবনা তেংবাংবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজৰা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।